# মালেম ইমাগী মতম্বাক্তা মনীং তম্না হৌরিবা মতিক-ময়াই লৈবা তাইরেননি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ইরমদম ইরৈবাকসে সনা থোকউ থোকপা, লুপা থোকউ থোকপা, হী-য়াইগী তূংনফম ওইরিবা লৈবাক্নি হায়বদা মতিক চপ চাই। শিদয়াই-নাদয়াই ওইরিবা পান্থী মখল কয়া ফংলিবা মফমনি। ঐখোয়গী চীংলোন-চীংশাং, লৌবুক-লম্ফাং, পাৎ-তুরেল কয়া অসিদা ফংদবা করিবু লৈরিবগে? ফংলিবশিং অসিগী মনুংদা মতিক-ময়াই লৈরবা উপাল-ৱাপাল কয়ানি। হোংনেম লুৱাং নিংথৌ পূন্সিবগী হাক্তক্তা অহানবা ওইনা পুথোকখিবা হিদু উনিংথৌনা শাখিবনি হায়বগী ৱাফম অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্মী। লাইওইরবা সনা খোংনাংগী মতিক ময়াই খঙদবা কনাবু য়াওরিবগে। হিন্দু লাইনীং চৎপশিংনা শনিগী দশা কোক্লবা খোঙনাং মঙোন্দা ঈরাৎ থৌনিজবসু য়াওই। কনাগুম্বা-কনাগুম্বী অমা অৱা-অনা তারবদা সনা খোঙনাং মনাদা মমিং ইরগা লাইদা কৎনবসু য়াওই।

মণিপুরদা লাইগী মতিক ময়াই চেনবনি খন্না অশেংবা পান্থীনি হায়না লৌনরিবশিংগী মনুংদা তাইরেনবু খাইদোক্তুনা থম্বদি য়ারোই। লমদমসিগী লৈবাক লৈহাওগা ওন্থোক্লসু চূশিন্নরবা তাইরেন পান্থীনি। ঐখোয়গী নাৎ-কলচর, লাইনীং-লাইশোন অমদি পূন্সিরোলগা থাদোক্লবা য়াদনা লৈরক্লিবা তাইরেননি। সনামহী লাইনীং চৎপশিংনা শুমাংদা তুলসিগী মহুৎ তাইরেন পান্থী থাদুনা নুংতিগী ঈরাৎ থৌনিজে। মসি হায়রে হায়দুনসু হিন্দু লাইনীং চৎপা মীতৈশিংনা তাইরেন পান্থীবু মীরায়রে হায়বদি য়ারোই। য়ূমগী শুমাং মচিদা, ইঙ্খোল মচি অমদা পান্থী অসি থানরি। কুম অমগী শজিবু চৈরাওবা নুমিত্তা লাইনিংথৌ লৈমরেনগী খুভম য়ারিবা মফম্বু শেংদোক্লবা মতুংদা নাহাই তাইরেন (মতোন্দা মনা নাইতোম পানববু নাহাই তাইরেন হায়না খঙনৈ) মনা তরেৎ পানবা মসা অমদি পুংফাইগা ঈশিংদা লুপ্লগা খিক্তোক্তুনা চাইথোক্তুনা শেংদোকপদা পূক্লীংসু, ৱাখলসু, হকচাংসু ঈশেং হেক শেংবোই নীংজে। অঙাং পোকপগী য়ূম শেংবদা তাইরেন পুংফাইনা শেংদোকপগী থবকসি তৌই। অসিগুম্বা মতাংদা নাহাই তাইরেন ওইরগদি পুংফাই য়াওদ্রসু য়াই হায়বগী ৱাফম পনবীরকপসু য়াওই। মসিনা তাক্লি মদুদি নাহাই তাইরেন অসি তরাই তরাইবা নত্তে, মতিক ময়াই লময়ৌবীনি।

লাই হরাওবা মতমদা হৈরুক কাবা লাকপশিংদা অরাকপা মীপূম খুদিংমক অমদি লাইদা কৎনবা পুরকপা হৈরুক হৈরাশিংদু তাইরেন মসা ঈশিংদা লুপ্লগা চাইথোক্তুনা শেংদোকই। অখঙ-অহৈ খরনা তাকপীবা মতুংইন্না কনাগুম্বা খরদি হায়রিবা পান্থী অসিদা হৈ-লৈ কৎতুনা থৌনিজবসু য়াওই। মতম অমদা লাইজাউ লাইথোক অমদি তোপ্পা ফুরি থোকপগী লায়না নারকপা মতমদা অমাং অশোয় নংদুনা খুদোংচাদবা থোকহন্দনবা অনাবদু মতম খুদিংমক্তা তাইরেন মসা পায়দুনা লৈ। মদুদসু নত্তনা তাইরেন মসাবু য়ূমগী থোঙজাউদা থেক্তুনা থম্মী। ফুরি অদু কংশিল্লবা মতুংদা য়াইঙং তৈদুনা লাইকং থারগা শেংনা ঈরুজথোক্তুনা তাইরেন মসাবু ঈশিংদা লুপ্লগা চাইথোক্তুনা শেংদোকই।

য়ূম শাবদা তাইরেন উগী মচেৎ খজিক্তা হাপ্লবদি ফত্ত-নুংদা, অৱা-অনা খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না থাজনৈ। তিনমু-লাইমু, শারোয়-ঙারোয়শিংগী মীৎয়েং ফাওবা চঙবা ঙমদে হায়না অহল-লমনশিংনা তাকপীরম্মী। অসুম্নসু হায়বীরম্মী মদুদি য়ূম শাবদা তাইরেন মচেৎ অমা য়াওরবদি নোংমৈ শীংজঙ তারক্লবসু থৈদোক্লগা পাইখি, য়ূম অদুদা অমাঙ অতা অমত্তা থোকহল্লমদে হায়না। কনাগুম্বী অমা মাইবী চঙবগী নুংশিৎ কাঙলকপদা তাইরেন মসানা হাইদোকপসি অদুম তৌনৈ। ঐনা থবক্তগী পোথাদ্রিঙৈদা ইমিৎমক্লা থেংনখিবা থৌদোক অমা/অনী লৈখি। মহৈরোয় নুপীমচা অমা লোংথেক-লোংথেক থেক্তুনা অনাবা হৌরক্তুনা ঐখোয় ময়াম্না লায়কন্নে। কাইনথংদা ইমুং মনুংগী মী কৌনরবা মতুংদা তাইরেন মসা থেক্লুরগা ঈশিংদা লুপ্তুনা হন্না হন্না চাইরকান্দা অনাবদু তপ্না-তপ্না নেমথরকই। অতোপ্পা অমা অনীসু চপ মান্ননা তৌবা য়াওখি। মতমদুদা মখোয়বু অৱাবদগী কনবীখিবদু তাইরেন মসাননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চুম্বা নৎত্রগা লানবা হায়বদুমদি খঙদে। ময়াম্না সুম হায়নরকপদা মখোয়গীদু মাইবী নুংশিৎনি হায়নৈ। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো তাইরেননা ঙম্বা খরসু লৈ হায়বসিমদি য়েৎনীংঙাই ওইদ্রে।



অঙাং ওইরিঙৈদদি অয়াম্বা মতমদা তাইরেন মসা অমা অদুম পায়দুনা চৎলি। মদু ফত্তবা তিনমু লাইমু থেংনদনবা অমদি ফুরি থুংবা মী থেংনরবসু ৱায়শিল্লক্তনবনি হায়না থাজবগীনি। অতোপ্পা অমনা তাইরেন মহৈ চরোং-চরোং হেক্লগা লেংবান্দা য়াল্লগা অফাও অরেং শাদুনা নুংশা মরক্তা কোয়চৎ চৎলগা নোংমৈ কাপ্পী শান্নবদুসু ওখাক নুংঙাইবনি। তাইরেন মহৈদু তোকলাউবী মখুলদুদা কিৎ নমশিল্লগা তোক লাউনা অমুক কাপ্পা, অমা লোইখিবগা অমা অমুক নমশিনবা কাপ্পা, মতমদুগী মশান্নশিংগী মনুংদা অমনি। ঐখোয় ইশেন কোয়তান তান্নরগা অমনা অমগী খজাইদা পংকাপ্তা কাপশিন্নবনি। ৱারী তাবসু কোঙ্গাইনি। মদুদদি নুপীগী মশান্না শান্নদে, নুপামচাশিংগা শান্নে হায়দুনা চৈনা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ কনথৎলগা তানখিবনি। মতমদুদি চৈনাদু য়াম্না তমথীখি অদুবু ঙসিদি চৈফূদুনা খোয়থুম্নরবা মহাউ অমা পীরকপগুম তৌই। তাইরেন মহৈগী মগুণসিসু অঙকপা অমনি। মগুণ অসি খঙদবা মরম্না মতমদুদা ঐখোয়না হায়খি, "বোকুল মহৈ, জাম, বোরোই, হৈতোয়, হৈয়েন, হৈখা, মালহৈদৌনা চাবা য়াবা মহৈসু পানবা ঙমদবা তাইরেনসিবু কৈদৌনা হৌরল্লিবনো?" ঙসিদি অঙকপনা থল্লবা মগুণ ময়াম অমনা য়োমশিল্লবা অহিংবা সনা পান্থী হায়বদুমক ওইরল্লে।

অসিগুম্লবা খুন্নাই অসিগী থবক থৌরম কয়া অমদি থাজনবীগা শাগোন্নদুনা লৈরক্লিবা তাইরেন পান্থীগী মতিক ময়াই অসি ঐখোয়গী অঙাংশিংদা খঙহনবগী মথৌ তাৱ্রা খঞ্জে। ফুরিগী লাইওং লাকপদা তাইরেন মসা পায়বগী ৱাফম হৌদোক্লুবদা নুঙগী য়ুগকী মীরা নৎত্রগা করম্বা গ্রহদগী লাকপনো হংনগদবা মতম ওইরবনি। ঐখোয়গী পূন্সিগা তাইরেনগা লৈনরিবা মরী অসি খঙদবা মী মশীং য়ামখৎলক্লবদি তাইরেনগী মফম অসুম অসুম হন্থরক্তুনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মাঙখিবসু য়াই। অসিগুম্বা ফীভমসিদগী তাইরেনবু কনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাংনি। ●

# করিগী লৈঙাক্তা তাইনরিবনো

- নবকুমার ওইনা -

'নখোয়না য়েক্লবনি খল্লিবশিংগী লৈঙাক লৈব্রা? লৈঙাকসু লৈতবা মখোয়না ঙমখিগনি খনব্রা, ঙমখিবসু য়াই। খন্থগদৌবদি মসিনি, 'দুনি লাল্লিবসি, চিনগী লান নত্তে, কোক্কী লাননি। লৈঙাক্তি নশানা শেন্বা নৎত্রা?"

নমহৎলগা অসুম চত্থগে হায়বসি টাইম-বোম ফুম্বগুম্বনি, হেক্তা পোকখায়রকপা য়ারিবনি। পঙবদগী লৈঙাক শেন্বা হৈত্রগা কনাদবু তায়নগে হায়বনো? মী ফত্তে হায়বসি হায়বা য়াদবা লমদম লৈ, হেক হায়বগা হায়রিবা মীদু ওইনা ফত্তবনি হায়না লৌনবগীনি। ইশানা তৌরবদি চুম্লবনিতা খনবসি খ্বাইদগী পঙবদুনি হায়রিবনি। লানবদি কনাসু য়াওদে, ৱাখল খূৎখন্দু লাইখায় তানা চত্থদবগীনি। মখোয়বুদি হৈত্রে খঙলে, নখোয়না তৌগদৌবদি খঙলব্রা হংলক্কনি। মখোয় খরনা হায়রিবদুনি, মায় পাকপগী শোর্ট কট লৈতে হায়রিসে।

ইন্দিয়াসি অঙকপা লৈবাক ওইরবনি। ম্যান্মারদগী চঙশিল্লক্লগা মী ৩০০/৪০০ হাৎপবু করিসু তৌদবা শারগা লৈবা হৈরবনি, ঙক্ত্রা? লৈবাক ঙাকপা হৈবা ওইনা লৌবদি য়াররোই, শিরিবা কাঙবুনা হেন্না ঙকখ্রে। অসুম খায়-খায়দুনা হাৎপা য়ারবা হায়বসি হিংলিব্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লবনি। পঞ্জাবতা করম তৌখি, কাশ্মীরদা কৈদৌখি, গুজরাটতা ওইরগনা কমদৌগনি, বাংলাদেশতা কৈদৌরুই, মণিপুরদা কৈদৌরবা? হায়রিবা ময়ামসি অঙাংগী শৈরেং থিবদৌনা হঞ্জিনগদৌবা নৎত্রে। লম্বী সড়কতা কোয়লাও লাউবনবু করি তৌনগদৌরিবা? খোম্বা য়াবা খোম্লবসু, মী ফনা য়াম্না তিল্লবসু মৈতৈগো-মীতৈগো পুন্দ্রিবনি। মসিদনি অখঙবনা উশিৎত্রিবসি, মদুনসু লোইদ্রি, অনীসি পুল্লগা মণিপুরী কৌবদা অতোংবদা লৈবা ময়াম্না য়ানীংদ-য়ানীংদা নমকৌদা চিংলগা পুরিবনি, য়ানরোইদৌরি। চেখায়নবগী ময়ি-মরম ওইরিবনি, সুপর গ্লুনা য়ারোই সুপর বগ ওল্লবনি। মৈতৈনা ৱাবদা মীতৈ য়াওদবা তারিব্রা, মণিপুরীনা মৈতৈ কোনশিনবা ঙল্লিব্রা, ময়াং ময়ামদি কোনশিনখ্রে, খঙবদি নত্তে।

তিন্থোক য়াম্না তাল্লিবমখৈ ঙা য়াম্না ফাগদৌরিবনি, কনানসু ষষ্ঠিনুংদা খৎনবা য়াওনরোই। মৈতৈ ঙামুনা উশিন থানরিবসি কনানো মপূন্সি শাংগদৌরিবসিবো? মৈতৈনা ৱাবদা মীতৈ লোইনা য়াওরোইদৌরিবনি। লান চেল্লিবশিংনা লানদু করিগীনো খঙদ্রবসু য়ারিবনি। হাৎনরিবা-শিনরক্লিবসি অসিৱায়দনি, পাখৎলিবনা করিগী? ঙানা লৈকংদা কোয়চোং-চোংলগা হিংবা হৈরগনি হায়বদি লৈতে। হিংবা ফাওবা হৈত্রদবু কনানা কনবীগদৌরিবনো? হিংনবা লম্বী থিবা তাবনি, শোয়দনা লৈগনি, নোংখোঙ কোয়গদৌবদি নৎত্রেদা। মদু ফাওবা কোক্তা য়াওদ্রবদি মীনি হায়বগী নাপল কাজরগা করি কান্নবা ফংগদৌরিবা। হিংবগী হক পীবনা কান্নরোই, লৌবা হৈবা চংই, কপ্লাও লাওবনা ফংলোই। শাওনীংলগা শাওজৌ, শাওবা হৈত্রগা তোকচৌ, হাৎপা য়াবগী শুম হাৎলক্লিবনি। লোইরগনা তুমজরেদনা, মুৎচরেদনা। হাৎলবদি শিরে হায়বা ফাওবা খঙদ্রব্রা?

খন্থগদৌবদি হাৎপগী ৱারেপ্তু কমদৌনা লৌরিবনো হায়বসিনি। কৈদা 'নয়া শেংদোকউ' হায়রুবগী কান্নবা লৈতে, কৈদদি নিংথৌ শারোইদৌবনি। য়োকপা য়াদ্রবদি হাৎকদৌবনি। ঐসু মঙায়দা থি-চিৎলবদি মীনা খঙদনবা লোৎপা ঙম্লবা হোৎনবা তাবনিদনা, ইন্দিয়ানা তৌরিবসি চুম্মী, মালেমদা খঙনদনবনি। কয়া হৈত্রে হায়বদি খঙলে, ঐনা হিংবগী পরিক্ষা থাবসি পাস তৌগদ্রা নৎত্রগা শিগদ্রা/মুৎকদ্রা হায়বগী ৱাতনি খঙদ্রিবা। মীওইবা হায়বসি কলচরনা পুল্লগা থল্লিবনি হায়বসু য়াওরিবনি। থংনরিবা শঙ্গোলসিদি থৌরীনা পুনবা ষণ অমত্তা য়াওবা নত্তে, থোঙ হেক হাংদোক্লকপগা মায়কৈ খঙদনা চেন্থোক্লকপনি। শগোল মমৈদা য়াংকোক মচেৎ য়াল্লক্লবনি। মায়কৈ খঙবা নত্তে, শাদা শা ওইনা শাথীরবনি। নখোয়দি শা তানবা থাদোকখিবা কুইরবনিনা খঙদ্রেদনা। কলচরনি হায়জিল্লগা পুনীংবদা পুনবা হোৎনরিবশিংনা করিসু তৌরক্কদৌবা লৈতে। মখোয়গীদি করিসু মাঙদে খল্লগা থৈদোকখিগনি। কনানসু মখোয়বু চেকশিন্না শেন্নবা উদ্রিবনি। নোং তাবা খুদিংগী ছাতিন শিনবগুম্না মমিং পংহোংদা হোংবশিংগীমমিং অমুক্তংগা হোংবা কৈদৌবগে? মালেমগী মীয়াম্নবু করিওইনবু উগদৌরি? য়েৎনরিবসি মদুৱাইদনি, য়ানদ্রিবসি মদুদনি; শিখাং খাঙনরিবনি। কলচরনি হায়গনি ইতোৎ তোৎশিন্নগনি, অরিবা ফিলোসোফিদুদা অনৌবা মমিং থোনজিনগনি। মাগীনি-মাগীনি হায়নরক্কনি, অরিবা হুরানগনি, অনৌবা হাপচিনগনি। শাজত্তুননি হাৎনরক্লিবসি, চাকচা অদুননি পুন্নরক্ত্রিবসি, ৱাঙাঙ অদুননি য়ানরক্ত্রিবসে। তুংদা লাক্কদৌরিবা চারোল শুরোলদা শেংনা উবা ঙমদনবা চমম্নহল্লিবনি। চৎনদ্রবা শাজৎ অদুনা লাই শাজরিবনি। ফজনবা শেন্বগী থৌদাং লৌনরোই।

অখঙদবনা পুক ফবা ঙম্বা হৌনদে, লৈঙাক্কী মপুনি হায়বা কাউথোল্লগা কনাদা পাখোন শিগে হায়বনো? ৱা ঙাঙবা ঙমজদ্রবশিং মখূৎ পুনশিল্লগা কাঙবু অমনা চিংলগা পুরিবনি। উশিৎনদ্রিবসি মপান্দগীতা নত্তে, ইমুংদা লৈমিন্নরিবশিং ঙারি-ঙাতায়, ঙাচেৎ-থুমচেত্তা পুকচেল য়াম্না পীক্লরি। মশাগী অপাম্বদা ঙাওনবগী ৱানি হায়রবসু লৈবাক মুৎনবনি হায়বা মশানদি খঙনদে হায়গনি।

থায়নগী মীগী নুপী ফজবা উবা য়াদবা, ঙা অচৌবা অমা ফাবা উবা য়াদবা, মীগী ইঙ্খোলগী তেরা পান্থী ফাওবা মিৎয়েং থল্লিঙৈগী শাজত্তু থাদোকপা ঙম্নদবা য়াওনরিব্রা? চিন্দদি লৈবাক্কীনি হায়গনি, মপুক্তদি য়াওদনা কদায়দগী থোক্লক্কদৌরি। মরৈবাক হায়বদি করিনো হংবদা খুন্নক্তবসু য়াওগনি, হায়রক্লগনা অমত্তা মান্নরোই। মদুদা নোক্তনা কদায়দা নোক্লগনি। মশানা মশাগী মরৈবাক খঙলবা কয়া য়াম্নবু লৈরবগে? মদুনবু মীনা চিংলগা পুবা য়ারিবনি। লীলা-দ্রামাগী ষ্টেজদা থোকচবগী পঙনুং নুংঙাইজবা, মনা-মথুমদা ঙাওজবা য়াল্লিবসি মঙায় কৈদৌবগে?

চমম্নরিবসি য়াম্মী, চহী ২০০০গী মমাঙগী ৱারীদা লৈবাক অনৌবা শাগৎপা য়ারোই। মীগী ৱারীদু পঙলৌদা লৌশিল্লগা মপু শারগা মানা-মানা থোকপা ৱারী পঙশাদা শাগৎনবনি। ফুদিত্তা মাঙজোং চোংনবনি, কান্নবা নত্তে, মতম মাঙনবনি। ইশানা তৌরিবসিনা লাল্লগা মীনা তৌবদু লাল্লি হায়বসি তারিবা মীনা কয়া পেনগদৌবা মান্দে। মণিপুরী কৌবা ফূরুপ অমা শাগৎপা য়াগদৌরিব্রা? চেদদি ইশিনবা হৌরে, নাগাগী ৱারী ইরে, কুকিগী ৱারী ইরে। ২১শুবা চহী চা অসিদা অনৌবা ফূরুপ-কাঙলূপ শাগৎকনি খল্লিবসি থাগৎনীংঙাইনি। কয়াবু কুইনা চৎকদৌরিবনো, ফনা ফজনদি হৈরবনি হায়গনি। অরিবা নাৎশিং খোমজিল্লগা লৌবা য়ারোই, অরিবদু অনৌবনি হায়জিনববু য়ারোই। গঞ্জা থল্লগা লফু থাবগী মওংদুনি, অমনা হৌগৎপদা অদুম নেৎপা শোয়দ্রবনি। হৌজিক ৱাৎলিবসি কাঙলূপ মমিং শাগৎপসি নত্তে, কুম্মৈ অরিবা শান্নবদু নত্তে, ৱাখল অনৌবা খনবা হৈবদুনি। মী অমদা পঙতায় তায়নবা হায়বসি চাওখৎপা ৱাখল্লোন নত্তে হায়বসি লাইরিক্তা ইরগা লৈরবা ৱানি। লাই খরনদি য়ারিবনি, অদুনবু লাই অমখক নীংবসিসু চাওখৎপা কৌবা য়াদে হায়রবনি, লৈবাক অমখক নীংবসু চাওখৎপা কৌবা য়াদ্রে হায়বসি চহী ৭০ শুরবনি। অদুনবু লৈবাক্কী ৱাথোকসি লাইনসু নত্তে, লৈঙাক্লসু নত্তে হায়রিবনি। ৱাখলগী মমিদু লৈমায়দা তারকপনি।

শেল পায়বনি, লৈবাক নীংবনি, লাই নীংবনি, ওজানি, মরমচৎ ফজবনি হায়রগা হেক্তা চাওখৎলবনি হায়বা য়াদে, লৈতে। মদু খঙনদবগীনি ৱা থোক্লরিবসি। চাওখৎপা হায়বসিদা চুম্না-লানবা হায়বসু য়াওদে, য়োংনা চুম্মী হায়বদু কৈনা য়াদে। ঙানা, য়েননা নখোয়না চুম্মী খনবদগী থৱায় থারি, চাওখৎলিবদি ফোংনা পঙহাৎ হাৎপা উহন্দবসিনি। শা-ষণগী, হূইগী শোরাৎ শোনবদু নত্তে। লৈবাক্কীনি খল্লগা লম্বী ময়ায়দা কোম অমা লৈবগী রেদিওদা কোয়লাও লাওগনু, মী অমনা মেনবদা শিরদরাও। মী অমনা নুংশিৎ খাইবগীসু কোয়লাও লাওরবদি লৈবাক্কী নত্তে, মী অঙাওবা য়াওবগীনি, লৈঙাক শেন্বা ঙম্নদ্রিবা অসিনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩২গী ৱাহং

১) "অহেনবা ঈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) "হন্দোকপা হায়বসি লুখ্রবা কলা অমনি। ফজরবসু শীংথানবীদবা, থীরগনা মীচৈ তাবা থবক অমনি।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱামাঙ য়ানবদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "নীংশিংবগী মমি" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু।

৪) "লেপ্লম্মী নিংথম উলেন খাঙনা

উনাশিং অমত্তা পান্দ্রবা মরূ কোক্লবা উপালশিং

শ্বরদি হোল্লি অশিবগুম তুমিন্না লেপ্লবসু

চিল্লোক্লরি পোম্বী চেক্লাশিংগা তুমিন তুমিন...।"

শৈরেং মতেক অসি 'য়েন্নীংথা' হায়বা শৈরেং অদুগী অহৌবা পরেংনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা কনানো?

৫) "লৈত্রক" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩১গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৪)

২) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৪)

৩) সঙ্গিতা ঙাশেপম, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায় - (১,২,৫)

***৪) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)***

৫) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৩১গী ৱিন্নর*

***আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১৩১গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩১গী পাউখুম

১) "দিমান্দ লেটর" হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি করম্বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবা অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মমিং - ইচে বীনো, অইবা-খুমন্থেম প্রকাশ, অহানবা ফোঙবা : ইং ২০১২।**

২) "মানা লৈরিবা মফম অদুগী অচিকপদু থুগাইদুনা চঙশিল্লক্লিবা মতৌ অদু রাজুনা ওক্লম্মী।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু। **:- ত্রান্সলেটর - আই আর বাবু সিংহ, লাইরিক্কী মমিং - দ গাইদ : লমজিংবা, ওরিজিনেল রাইটর - আর কে নরায়ন, অহানবা ফোঙবা : মার্চ, ২০০৩।**

৩) "মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা তাঙনা ফংবা সাহিত্যগী মচল অমা হায়বা তারবদি লিটরেরি ক্রিটিসিজমনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নীংদে।"

ৱাহৈ পরেং অসি ক্রিটিসিজমগী লাইরিক অমদা অইবা অসিগী পূক্নিং ৱা হায়বদুদা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।**:- লাইরিক্কী মমিং - সাহিত্যদা ক্রিটিসিজম অমসুং অতৈ নৈন-ৱারেং খরা, অইবা - অরিবম কুমার শর্মা, অহানবা ফোঙবা : ২০১৩।**

৪) "ঐগী পীক্লবা আশাগী পান্দোং

ঐগী চল্লবা আশাগী লৈয়োন

য়েন্নৌ য়েন্নিং হুন্দবা কুইরে

পূক্নিং বসন্ত লাক্তবা কুইরে।"

লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা কনানো? করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে? **:- অইবা - বি জয়ন্তকুমার শর্মা, লাইরিক্কী মমিং - নুংশিবা ঈশৈগী কাউঙমদ্রবা সুর, শেম-শাবা - বি জয়ন্তকুমার শর্মা, ফর্ষ্ট এদিশন : ৪ সেপ্টেম্বর ২০১১।**

৫) "আয়ুশনা মাগী ছাইকল রেলী অদু ইন্থোক্লক্তুনা মমান্নবা রোজেনখোয়দা কোয়রুগদবগী থোক্লক্লি।" ৱাহৈ পরেং অসি উপন্যাসকী লাইরিক অমগী অহানবা শরুক্তগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মমিং - মথৌ কনবা দি এন এ, অইবা - যোদ্ধ ছী সণসম, অহানবা ফোঙবা : ২০০৯।**

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কৈকোল অমসুং পোৎশংবম খুনৌগী এরিয়াদা য়ূমদা য়োকচবা হয়িং খোই পাক্তক্লনা শিরিবসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

পাউচে অসিগী খূথাংদা ওথোরিটি অমসুং পল্লিক্তা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি মদুদি কৈকোল অমসুং পোৎশংবম খুনৌগী এরিয়াদা য়ূমদা য়োকচবা হয়িং খোই পাক্তক্লনা শিরে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ইম্ফাল তুরেলগী অকোয়বদা পোৎশংবম য়েলা হায়না খঙনবা হঙ্গাম থারিবা লৌমীশিংনা তীল হীদাক কাপ্লদগীনি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙহঞ্জনীংই। লৌমীশিংবুসু খোইগী কান্নবা খঙহঞ্জনীংই অমদি হীদাক য়োল্লিবশিংদসু খোই শিদনবা হীদাক্তমক পীবিনবা ওথোরিটিনা ইন্সত্রক্সন পীহঞ্জনীংই।



**অদোমগী - শান্তিকুমার ঙাঙোম,** কৈকোল, ইম্ফাল ইষ্ট